# পিএমওনা মিনিষ্টরশিংগী
## লন-থুম মীয়ামদা লাউথোক্কদৌরি

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২ঃ* মিনিষ্টরশিংনা মশাগী লন-থুমগী অকুপ্পা ৱারোলশিং থাগৎনরকপগী মতম ঙরাং লোইশিনখিবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর্স ওফিস (পিএমও)না ঙসি রেস্পোন্সশিং অদু অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা নুমিৎ খরনি অসিগী মনুংদা মীয়ামদা লাউথোক্ক বা থৌরাং তৌখ্রে।

চহি খুদিংগী পাঙথোকপা থবক অমা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহনা মিনিষ্টরশিংগী মফমদা মশা মশাগী লন-থুমশিং অমসুং মখোয়গী লোয়নবীশিং অমদি ইমুং মনুংগী মীওই পুন্নমক্কী ললোন ইতিক্কা মরী লৈনবা অকুপ্পা ৱারোলশিং অদু সেন্টরদা থাগৎনবা খঙহনখি।

কোদ ওফ কন্দক্ট ফোর মিনিষ্টর্সকী মতুংইন্না আগষ্ট ১১ ফাওবগী মনুংদা অকুপ্পা ৱারোলশিং অদু থাগৎলক্নবা মিনিষ্টরশিংগী মফমদা খঙহনখি। মদুগী মতুংইন্না পাউখুম পীনরকপদগী ৱারোলশিং অদু অমত্তা ওইনা লেংশিল্লগা নোংমা নিনি অসিগী মনুংদা ৱেব সাইটদা থাদোক্লগনি হায়না পি এম ওগী সোর্স অমনা ফোঙদোরক্লি।

জুন ২ দা মিনিষ্টরশিংদা ইখিবা চিঠি অমদা মতম অদুগী কেবিনেট সেক্রেটরি চন্দসেখরনা প্রাইম মিনিষ্টরগী পাউতাক মতুংইন্না মিনিষ্টরশিংগী য়ুনিয়ন কাউন্সিলদা মেম্বর অমা ওইরিবা মীপুম খুদিংমক্না কোদ ওফ কন্দক্ট ফোর মিনিষ্টরশিংগী মখাদা লন-থুমগী অকুপ্পা ৱারোলশিং অদু থাগৎলক্নবা খঙহনখি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মিনিষ্টরশিংনা এসেট, লাইয়েব্লিটিজ, বিজনেস ইন্টরেষ্ট অমসুং লোয়নবী অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ফোরেন গভর্নমেন্ট নত্রগা ওর্গনাইজেসন অমদা থবক তৌবনচিংবগী অকুপ্পা মরোলশিং খঙহল্লক্নবা কেবিনেট সেক্রেটরিনা মহাক্কী চিঠি অদুদা মখা তানা খঙহল্লকখি হায়রি।

চন্দ্রসেখরনা কোদ অদুগী পেরেগ্রাফ ১ (এ). ২ (এ). ২ (ই) অমসুং ৩.২ হায়রিবশিং অসিদা মিনিষ্টরশিংগী পুক্নিং চিংশিল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরগী মফমদা নত্রগা চিফ মিনিষ্টরশিংদা মশা মশাগী অমসুং মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগী এসেট, লাইয়েব্লিটিশিং অমদি বিজিনেস ইন্টরেষ্ট পুন্নমক ফোঙদোরকপদগী ঐনসু খঙহনখি।অকুপ্পা মরোলশিং অদুদা লৌরি য়ুম্ফম অমসুং অপুনবা ভেল্যু, সেয়ার অমদি দেবেঞ্চরশিং, খুৎতা লৈবা শেল অমসুং সনা লুপাগী লৈতেং পুন্নমক য়াওহল্লক্কদনি। অসিগুম্বা সম্পতি অমসুং লাইয়েব্লিটিশিংগী ষ্টেটমেন্ট অসি মিনিষ্টর অদুনা মাংজৌননা ইনকম টেক্স রিটর্ন থাগৎখ্রবা ফাইনেন্সিয়েল ইয়ার অদুগী ওইগদবনি হায়রি।

পেরেগ্রাফ ২ (এ)দা ওফিস পায়রবা মতুং অমসুং হেক পায়রিবমখে মিনিষ্টর অদুনা চহি খুদিংগী আগষ্ট ৩১ ফাওবগী মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নত্রগা চিফ মিনিষ্টরদা মমাংগী ফাইনান্সিয়েল ইয়ারগী এসেট অমসুং লাইয়েব্লিটিশিংগী ওইবা দিক্লারেসন অমা থাগৎগদবনি হায়না ফোঙদোক্লি। পেরেগ্রাফ ২ (ই)দা মিনিষ্টর অমনা মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগী মরক্তগী কনাগুম্বা অমনা করিগুম্বা মখল অমগী করবার নত্রগা মেনেজমেন্ট অমদা য়াওবা তারবদি ৱাফম অদু প্রাইম মিনিষ্টর নত্রগা চিফ মিনিষ্টরদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না ফোঙদোক্লি।

পেরাগ্রাফ ৩ .২গী মতুংইন্না, য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং য়াওনা ষ্টেট গভর্নমেন্ট/ য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী চিফ মিনিষ্টরশিং অমসুং অতৈ মিনিষ্টরশিংনা মখোয় মখোয়গী লোয়নবীশিং অমদি মখোয়গী মতেংনা হিংলিবা মীওইশিংনা প্রাইম মিনিষ্টরগী অয়াবা য়াওদনা ইনি দয়াদা লৈবা ফোরেন গভর্নমেন্ট নত্রগা মীরৈবাক্তা নত্রগা ফোরেন ওর্গনাইজেসন অমদা থবক তৌবগী অয়াবা পীবা তৌরোইদবনি হায়রি।

মিনিষ্টর অমগী লোয়নবী নত্রগা য়ুমগী মীওই অমনা অসিগুম্বা মখলগী থবক অসি মাংজৌননা তৌদুনা লৈবা ওইরবদি ৱাফম অদু প্রাইম মিনিষ্টরদা রিপোর্ট তৌদুনা মখা তাবা থবক তৌখিগদ্রা নত্রগা তৌবা তোক্কদ্রা হায়বদুগী ৱারেপ অমা লৌগনি। জেনরেল রুল অমা ওইনা ফোরেন মিসন অমদা থবক তৌবা হায়বসি অথিংবা থম্মী হায়নসু পি এম ওগী সোর্স অমনা ফোঙদোরক্লি।